# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 01-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎ ঙসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা শিন্দুনা পাঙথোকরি।

২) এন.আই.এনা এস.দি.পি.ও- চিংথাম আনন্দকুমার হাৎপদা চেন্নবা মরুওইবা মীশক অমা ঙরাং ফারে।

অমসুং

৩) প্রোমোসন এন্দ রেগুলেসন ওফ ওনলাইন গেমিং রুলস ২০২৬ ঙসিদগী চৎনবা হৌরগনি।

------

মে ডে (এল)ঃ মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎ ঙসি মণিপুরদসু তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা শিন্দুনা পাঙথোকরি।

ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস, মণিপুর ষ্টেট কমিতিনা শিন্দুনা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম ইম্ফালগী ইরাবত ভবন কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি। পালন থৌরম অসি ইন্সুরিং এ হেলদি সাইকোলোজিকেল ৱার্কিং ইনভাইরোনমেন্ট হায়বা হিরমদা অখন্ননা পাঙথোক্কনি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা লমদম অসিগী মীয়াম, মরুওইনা শিন্মীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- শিন্মীশিংগী নুমিৎ মীয়ামা মে ডে হায়রগসু হেন্না খঙনবা নুমিৎ অসিনা লাকপদা শিন্মী খুদিংমক্তা ঐখোয়না ইকায় খুমবা অমদি তৌবীমল খঙবা উৎশি। নুমিৎ অসিনা শিন্মীশিংগী

মতিক চাবা খুৎশুমল, চৎনবা য়াবা থবক শুবগী পুংশিং অমসুং মখোয়গী পুন্সি মহিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনখিবা পুৰারীগী লান্থেং কয়া অদুবু নীংশিংহল্লি। শিন্মীশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা হোৎনখিবা অমদি মখোয়গী অপুনবা ৱারেপ কয়ানা মখোয়গী ঙসিগী থাক অসি য়ৌহল্লকপনি। মহাকা হায়- মণিপুরগী শেল থুমগী লমদা শিন্মীশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু শকখঙলদুনা রাজ্য সরকারনা মখোয়গী য়াইফ থৌরাংগী থৌশিল কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। শিন্মীশিংগী মচা মশুশিংগী মহে মশিং, অনা লায়েং, এক্সিদেন্টেল ইন্সুরেন্স অমদি পেন্সন্নচিংবগী খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লি। শিন্মীশিংগী হক ফংহনবা, ঙাকশেল পীবা অমদি থবক শুফমদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা মতম চুপ্পদা সরকারনা হোৎনরি। মে ডেনা লাকপদা সমাজ অমদি লৈবাক অসিবু চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা শিন্মীশিংগী কৎথোকপা অমদি থৌদাং অদুবু ঐখোয় খুদিংমকা তমজনিঙাইনি।

উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেন্নসু নুমিৎ অসিনা লাকপদা শিন্মীশিংদা ইকায় খুমবা উৎলক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা হায়- সমাজ অমা চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা সেক্তর খুদিংমক্তা শিন্মীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। ঐখোয় খুদিংমকা শিন্মীশিংগী পুন্সি মহিং, হক অমদি থোং মান্নবা খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা পুন্না হোৎনমিন্নশি।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা খুনাই অমবু মপাঙ্গল কনবা খুনাই অমা ওইনা শেমগৎপদা কৎথোকপা কয়াগা লোয়ননা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা শিন্মীশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি। নুমিৎ অসিনা ঐখোয় খুদিংমক্তা শিন্মীশিংগী মান্নবা হক অমদি থোং মান্নবা হিংবগী থাক ফংহন্নবা হোৎনখিবা কয়া অদুবু নীংশিংহল্লি। মখোয়বু ইকায় খুমবা অমদি মান্নবা থাক অমদা পুরকবা হোৎনমিন্নশি। ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা মণিপুরবু চাওখৎ লম্বীদা খুমাং চাওশিনবা লমদম অমা ওইহল্লশি।

এম.এল.এ কোংখাম রোবিন্দ্রোনসু মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎনা লাকপদা লমদম অসিগী শিন্মীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়- শিন্মীশিংনা

রাজ্য অসিবু মাঙলোমদা পুখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। শিন্নীশিংগী চোকথবা নাইদ্রবা থৌনানা রাজ্য অসিবু মশক থোকপা লমদম অমা ওইহল্লি।

শিন্নীশিংগী নুমিৎনা লাকপদা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিগী লুচিংবা কে. মেঘচন্দ্রনা লমদম অসিগী শিন্নীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাকা হায়- শিন্নীশিংগী কৎথোকপা কয়া অদুবু ইকায় খুমবগা লোয়ননা থবক শুফমশিংদা মখোয়বু অশোই অঙাম থোক্তনবা হোৎনমিন্নশি।

কম্যুনিষ্ট পার্তি ওফ ইন্দিয়া (সি.পি.আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল অমসুং য়ুনাইতেদ লেবর ওর্গনাইজেসন, মণিপুরনসু শিন্নীশিংগী নুমিৎনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

এনআইএ (এল)ঃ নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ)না এস.দি.পি.ও- চিংথাম আনন্দকুমার হাৎপদা চেন্নবা মরুওইবা মীশক অমা ঙরাং ফারে।

এজেন্সি অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ফারবা মীওই অসি তেংনৌপল জিলাগী মনুং চনবা মোরেদগীনি হায়রি। চেরোল অদুনা হায়- ইং ২০২৩ গী ওক্তোবর ৩১ দা কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা মোরেদা লৈবা প্লে গ্রাউন্দ অমদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস টিমদা এটেক চথরকপদা লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মদুদা মোরে এস.দি.পি.ও আনন্দ মহাক্কী মবুক্তা নোংমৈনা পানবদগী শোক্কুনা লৈখিদবনি।

মদুগী তুংদা মোরে পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি। ২০২৪ গী মার্চতা এন.আই.এদা কেস অসি শিন্নদুনা মখা তানা এন.আই.এনা থিজিনদুনা লাকখিবনি। থিজিনবদা থৌদোক অদু মণিপুর মীয়ামদা অকি অখণ্ড পোকহন্নবা চথখিবনি হায়বা খঙবা ঙমখি। পনবা য়াই, কেস অসিগা মরী লৈননা অতোপ্পা চেন্নবা মীওই অমসু থা অসিগী হৌরকপদা ফাবা লৈখ্রে। কেস অসি হৌজিক মখা তানা থিজিল্লি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা সেনাপতি জিলাগী মখান সেন্তর ভিলেজদগী মীওই অমা খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে। পুলিসকী পাউনা হায়- ফারবা মীওই অদুদগী মেগজিন য়াওবা সভেন পোইন্ট সিক্স ফাইভ এম.এমগী পিষ্টোল অমা অমসুং কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু অনি ফাগৎখি।

গেমিং ঃ প্রোমোসন এন্দ রেগুলেসন ওফ ওনলাইন গেমিং রুলস ২০২৬ ঙসিদগী চৎনবা হৌরগনি। মসিগী মতাংদা সরকারনা হুকুম অমা থোকখ্রে। মসিনা ভারতকী ওইনা খুমাং য়াংনা চংশিল্লিবা ওনলাইন গেমিং সেক্তরদা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙম্লগনি। অনৌবা রুলস অসিনা ওনলাইন গেমিংগী উদ্যোগশিংদা হেন্না চাওখৎহনবগা লোয়ননা শিজিন্নরিবা মীওইশিংদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা পান্দম থল্লি। মসিনা ওনলাইন মনি গেমসতা অথিংবা থল্লি। মসিগী মথক্তা রুলস অসিগী মতুংইন্না এদভরতিজমেন্ট অমদি ফাইনান্সিয়েল ত্রাঞ্জেক্সনশিংদসু অথিংবা থল্লি। রুল অসি থুগাইবা মীওইশিংগী মথক্তা জেলদা থম্বা অমসুং ফাইন থিহনবা য়াওনা অকনবা চৈরাকশিং য়াওরি।

আয়ুস ঃ ভারত অমসুং নিউজিলেন্দগী ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্ট (এফ.টি.এ)না আয়ুসকী লায়েং অসিবু মালেমগী থাক্তা চাওখৎহানবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

আয়ুস মন্ত্রালয়না হায়- য়ান্ন-ৱারোল অদুগী মতেংনা ভারতকী আয়ুসকী লমদা থবক তৌরিবশিংনা হকশেল অমদি অনা লায়েংগা মরী লৈনবা লমশিংদা নিউজিলেন্দদা চাউনা খুদোংচাবা ফংলগনি। মমাংঙৈদগী শিজিন্নরক্লবা হিদাক লাংথক অমদি অনা লায়েংগী চৎন-পথাপশিংবু অনৌবা মওংদা শেমদোক্তুনা মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি অফবা মওংগী হকশেলগী নিয়মশিং শেমদোকবসু য়ান্ন-ৱারোল অদুদা পল্লি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সহি তৌনখিবা য়ান্ন-ৱারোল অদুগী মতেংনা লৈবাক অসিগী আয়ুসকী লমদা অমদি যোগগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা নিউজিলেন্দদা শাংথনা থবক তৌবা য়াবগী খুদোংচাবসু পীরি।

সাহ্ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ্না লেহ্দা পাঙথোক্কদবা বুদ্ধা পুর্নিমাগী থৌরমদা শরুক য়াগনি অমদি শেংলবা তথাগত্তা বুদ্ধ শঙ্গাগনি। শ্রী সাহ্না কার্গিলদা নোংমদা লিতর লিশিং ১০ পীগদবা দেরি প্লান্ট অমসু শানবগী উরেপ উয়ুংসু তমগনি। নুমিৎ নিনিগী লদাখ খোঙচৎতা শ্রী সাহ্ ঙরাং লেহ্দা থুংখিবনি।

চৌহান ঃ কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ্ চৌহান ঙসি উরিষাদা চৎকনি। মহাকা কেন্দ্রগী রুরেল দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়না শিনবা থৌরম অমদা শরুক য়াগনি। শ্রী চৌহান্না প্রধান মন্ত্রি গ্রাম শরক য়োজনা ফোরসু হৌদোক্কনি। মসিনা রাজ্য অদু হেন্না চাওখৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। রুরেল রিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়না হায়- খোঙথাং অসিগী মতাংদা লম্বীগী প্রোজেক্ট ৮২৭ পায়খৎদুনা কিলোমিতর লিশিং ১,৭০০ রোমগী লম্বী শেমগৎ শাগৎলগনি। মসি লুপা কোতি লিশিং ১,৬৯৮ চংনা পায়খৎকদবনি।

হি ঃ মধ্য প্রদেশকী জবলপুরগী বারগি দামদা হি লাকশিনবগী থৌদোক্তা মীওই মরি শিরে। থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাংৱাইরম অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলকপদগী খমারিয়া ঈথৎতা থোকখিবনি। হি অদুদা লম কোইবা মীওই ৩০ তোংখি। মীওই ১৫ দি অশোই অঙাম য়াওদনা কনবা ঙমখ্রে। মীওই খরনা থিবা ফংদ্রি। এস.দি.আর.এফ, পুলিস অমসুং হোমগার্দকী মীওইশিংনা মফম অদুদা পাক শন্না থি হুম্বগী থবক চথুরি। জিলা অদুগী কল্লেক্তর অমদি এস.পিনা মফম অদুদা চত্তুনা মী কনবা অমদি তেংবাংবগী থবকশিং য়েংশিনখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

এস.দি.পি.ও মোরে আনন্দ হাৎপদা চেন্নবা মীওই অমা ফাখিবা, এক্স-চিফ মিনিষ্টর বিরেনগী ওদিও ক্লিপকী কেসকা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টনা ফার্ষ্ট জেনেরেসন কোপি পীখৎলকবা খঙহল্লকখিবগী পাডশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

পোকফমদা মণিপুরগী ইরাং- এস.দি.পি.ও আনন্দ হাৎপদা লৌতুনবা য়াওবা নুপা অমসুং এন.আই.এনা ফারে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগী মনুং চন্না মোরেদা কুকিশিংনা মতম কক্তবা টোতেল সটদাউন লাউথোকখ্রে হায়না সব-হেদলাইন পীরি।

এক্স-চিফ মিনিষ্টর বিরেনগী ওদিও ক্লিপকী কেসকা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টনা ফার্ষ্ট জেনেরেসন কোপি পীখৎলকবা হায়রি হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিগী মনুং চন্না নেসনেল হাইৱে ব্লোকেদ তৌবগা মরী লৈননা থাংগৎলকখিবা পি.আই.এলগী হিয়ারিং হৌখ্রে হায়বা পাউ অমা বোক্স আইটেম ওইনা ফোংলি।

অশেংবা অচুম্বা পাউ খঙহন্নবা পান্দমদা দি.আই.পি.আরগী ফেক চ্যেক ওফিসিয়েল ফেস বুক পেজ হাংদোকখ্রে হায়বা পাউ অসি সনালৈবাক পাউচেদা অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

চীফ মিনিষ্টরনা হজ চৎকদবা মীচৈ পাঙলশিং থিন্দোকখ্রে, ইং তপ্পা মণিপুর ওইহনবীনবা থৌনিবীরকউ হায়বা সি.এম. খেমচান্দগী ৱাফম হুইয়েন লানপাউগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরদা মৈ মেগা ৱাট ২৭৪ মতৌ তাবদা শুপদগী মেগা ৱাট ১০৫ খক পুথোক্লি হায়বা পাউ অমা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন্না মণিপুরদা সেন্সস তৌদ্রিঙৈদা এন.আর.সি হান্না তৌনবা দিমান্দ তৌরি হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

এন.আই.এনা এস.দি.পি.ও আনন্দ হাৎপদা চেন্নবা মরুওইবা মীশক অমা ফারে হায়বা পাউ হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস, গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

দি.আই.পি.আর ইম্ফাল ফেক চ্যেক কৌবা ওফিসিয়েল ফেস বুক পেজ অমা লোঞ্চ তৌখ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------